# ওলিম্পিক্সকী শেম শাবা কেম্প নত্তনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নবগী নেসনল কেম্প খুদিংমক য়েথোক্লে : রিজিজু



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):

কোরোনাভাইরস লায়না লায়চৎনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়ানা মীওই ১৩৭ ইনফেক্ট তৌরবা মতুং মীওই ৩ শীহনখিবগা লোয়নননা লৈবাক অসিদা পাঙথোক্লিবা শান্নবগী নেসনল কেম্প পুম্নমক য়েথোক্লে অদুবু টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক পাঙথোক্লিবা কেম্পশিংদি মখা তানা অদুমক চত্থগনি হায়না লৈবাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি স্পোর্ট মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা কোরোনাভাইরস লায়না লায়চৎ অসিনা ওইহল্লক্লিবা ফিভম য়েংলগা লাউথোকখিবনি। মহাক্কী ত্বিইটর একাউন্টদা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমদা নেসনল সেন্টর ওফ এক্সিলেন্সদা লৈরিবা একাদেমিক ট্রেনিং লোয়নননা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা সেন্টরশিংদা কেম্পশিং সস্পেন্দ তৌরে হায়খিবনি।

মহাক্কী ৱারোল অদুদা খোঙথাং অসি মতম খরগী ওইনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী তাঙ্কক অমনি। করিগুম্বা লায়না লায়চৎ অসিগী ফিভম লৈবাক অসিদা ফগৎলক্লবদি ট্রেনিংশিং অদু মখা তানা অদুমক চত্থগনি হায়খি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা শুট্টিং ৱর্ল্দ কপ মে অমসুং জুন থাদা য়েথোকখি। পনবা য়াই, সিটি অসিমক্তদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ইন্দিয়া ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ অদুসু য়েথোকখি।

ক্রিকেটকী ওইনসু সাউথ অফ্রিকাগা লখনৌ অমসুং কোলকতাদা শান্নগদবা ২শুবা অমদি ৩শুবা ৱানদে ইন্টর্নেসনল মেচ অনী য়েথোকখ্রবনি। পনবা য়াই, জোর্দানগী কোনুং অমানদা পাঙথোকখিবা এসিয়া ওসিনিয়া বোক্সিং ওলিম্পিক ক্বালিফায়িংদা শরুক য়ারুবা ইন্দিয়াগী বোক্সর পুম্নমক সেলফ আইসোলেসনদা লৈহল্লি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নেসনল ইভেন্টশিংদি য়েথোকপা লৈত্রি। এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা মার্চ ২০দগী পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ন গ্রান্দ প্রি সেরিজ অসি ভাবোক য়াওদনা পাঙথোক্কদৌরি। হায়রিবা সেরিজ অসিনা টোকিও ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইনবগী ইন্দিয়াগী এথলেটশিংদা খুদোংচাবা পীগদৌরিবনি।

পনবা য়াবদি, বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)না মুম্বাইদা লৈবা হেদ কার্টর্সতা থবক শুরিবা শীন্নীশিং মযুম মযুমদগী শুননবা দিরেক্সন পীবা লৈখ্রবনি।

লৈবাক অসিগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা কোরোনাভাইরস লায়না লায়চৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনবগী খোঙথাংদা মীরমদগী ইন্দিয়াদা লাকপা মীওইশিংদা অথিংবা থমখ্রবনি। মদুগী মনুং চন্না ইন্দিয়াগী চেছ শান্নরোয় গ্রান্দ মাষ্টর বিশ্বানাথন অনন্দ জর্মনিদা পন্দুনা লৈরি। অদুবু লৈঙাক অসিনা মীরমদা ট্রেনিং চত্থরিবা ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইরবা শান্নরোয়শিংবুদি ইন্দিয়াদা হল্লকপা অয়াবা পীখি। মখোয়গী মনুংদা জেবলিন থ্রোৱর অনী নিরজ অমসুং সিবপাল হয়েং ইন্দিয়াদা থুংলরগনি।

২শুবা ৭-এ সাইদ মেন্স ভিল্লেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

## মোইদাংপোক অমসুং ঙাইরাংবম ফাইনেলদা থেংনরগনি



ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস):

এম টি দি এ এল ঙাইরাংবমনা শীন্দুনা টিম ১০না গ্রুপ ২ থোক্ল্রা খাইদোক্তুনা চত্থরিবা ২শুবা ৭-এ সাইদ মেন্স ভিল্লেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেচশিংদা মোইদাংপোকনা ঙাইরাংবম (সী)বু মায়থীবা পীদুনা অদুগা ঙাইরাংবম এফ সী (এ)না হরিরাজ এফ সী খাইদেম্বু থোইদুনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

অহানবা সেমীফাইনেল মেচতা মোইদাংপোকনা ঙাইরাংবম (সী)বু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। মোইদাংপোক্কী মায়কৈদগী জিম জর্সি নম্বর ৬না শান্নবগী ৬ অমসুং ৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চনখি। অদুগা ঙাইরাংবম (সী)গী মায়কৈদগী হেনরি জর্সি নম্বর ১০না শান্নবগী ৩০ শুবা মিনটতা চনখি।

অনীশুবা সেমীফাইনেল মেচতা ঙাইরাংবম এফ সী (এ)না হরিরাজ এফ সী খাইদেমবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। ঙাইরাংবম এফ সী (এ)গী পাঞ্জলশিং অদু হেম্বা জর্সি নম্বর ১৭না পাঞ্জল ২ অদুগা দিঙ্কু জর্সি নম্বর ১০ অমদি জেনিস জর্সি নম্বর ৭না পাঞ্জল অমমম চনখি।

## ৩শুবা কাংলুকোক ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মার্চ ১৭(ঐচএনএস):

চাঙমদবী মুহাম্মদন ক্লব (সী এম সী)না শীন্দুনা টিম ১৬না গ্রুপ ৪ থোক্ল্রা খাইদোক্তুনা য়াইরিপোক চাঙমদবী মথক তুরেল মখাগী শান্নবুঙদা চত্থরিবা ৩শুবা কাংলৌকোক ট্রোফি ৮-এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এন এফ সীনা কে এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি। অদুগা পি ৱাই সী লাক্তবনা এস আই দি ও ৱার্কওভর ফংখ্রে।

MANPOWER / JOB URGENT

As a part of its expansion, LOYALAM MICROFINANCE PROJECTS PVT. LTD., required the following manpower in the state of Manipur.

| Sl. No. | Post Name | Education Qualification & Experiences | Age Limit | No. of Post | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Account | B.Com | upto 35 yrs | 25 | Best in Industry |
| 2. | Client Relation Officer (CRO) | 10+2 | upto 30 yrs | 25 | -do- |

**Mode of Application :** Interested candidates may kindly submit latest biodata on or before 24th March '20 at the following address/venue.

**Mode of Selection :** 3 time selection - written, group discussion and personal interview.

**Venue :** SHEMROCK PRIME SCHOOL BUILDING, URIPOK ACHOM LEIKAI, MAIN ROAD, OPPOSITE SAKHI DEVI GIRL'S HIGH SCHOOL, IMPHAL WEST.

**Date of Interview :** 27/03/2020

**Time :** 11.00 am onwards.

HL-P/6612/18,19,20

৪শুবা ষ্টেট লেভেল ৭-এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

# ও এফ এ পুংদোংবমনা বোইলর এফ সীবু অদুগা পান্থোইবী এফ সীনা এফ সী চল্লৌবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস):

পি টি সী সী পাটশোই পার্ট-৩না শীন্দুনা টিম ১৮না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্লগা '৪শুবা ষ্টেট লেভেল ৭-এসাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০' ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ও এফ এ পুংদোংবমনা বোইলর এফ সীবু অদুগা পান্থোইবী এফ সীনা এফ সী চল্লৌবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা ও এফ এ পুংদোংবম অমসুং বোইলর এফ সী লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফতা ও এফ এ পুংদোংবমনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। ও এফ এ পুংদোংবমগী মায়কৈদগী চত্থরকপা এটেক অমদা শান্নবগী ১২শুবা মিনট টিম অদুগী শান্নরোয় রোহিট জর্সি নম্বর ৯না অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা একাউন্ট হাংবা ঙমখি।

বোইলর এফ সীগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংনবা অহেনবা প্রেসরগা লোয়নননা লম্বা তৌরকখি। অদুবু ও এফ এ পুংদোংবমগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাকখিবদগী পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমহন্দনা মখোয়বু ও এফ এ পুংদোংবমনা পাঞ্জল ০-১দা অহানবা হাফতা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা মখা তানা ও এফ এ পুংদোংবমনা বোল হেন্না পায়দুনা অমুক শান্নরকখি। পাঞ্জল মখা তানা চনশিন্নবা চত্থরকপা এটেক অমদা শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা টিম অদুগী ষ্ট্রাইকর অমনা গোল তম্না কাওশিনখিবদা বোইলর এফ সীগী জর্সি নম্বর ২ শান্নরোয়দা খেৎতুনা গোল মনুংদা চঙখিবদগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল ২ শোত্থরবা বোইলর এফ সীনা ইক্বেলাইজর ফংনবা অকনবা মওংদা শান্নরকখি। শান্নবগী ৩৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় অঙৌসানা জর্সি নম্বর ৮না পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। অদুবু মখা তাবা মিনটশিংনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙমদনা লৈখিবদগী ও এফ এ পুংদোংবমনা বোইলর এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা পান্থোইবী এফ সী অমসুং এফ সী চল্লৌ লম্বা তৌনখি। মদুদা পান্থোইবী এফ সীনা এফ সী চল্লৌবু পাঞ্জল ৪-২দা থোইখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফ হৌরকপদা পান্থোইবী এফ সীনা খুদুম চন্না শান্নবা ঙমখি। পান্থোইবী এফ সীগী পাঞ্জলশিং অসি অহানবা হাফতা পুম্নমক চনখি। টিম অদুগী সুধির জর্সি নম্বর ৭, গৌরো জর্সি নম্বর ১৮, অজমির জর্সি নম্বর ২ অমদি তেলহৈবা জর্সি নম্বর ১০না মথং শীৎনা শান্নবগী ৯, ১১, ১৪ অমসুং ১৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম চনখি। অদুগা এফ সী চল্লৌগী পাঞ্জল অনী অদু মিনলেন জর্সি নম্বর ৬ অমদি জেনপু জর্সি নম্বর ৭না শান্নবগী ৪১ অমদি থংনবা মিনট ৪২শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

হয়েং শান্নগদবা মেচশিংদা নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা হৈঙাং অমসুং য়ং বোইজ পুখাও থেংনগনি। অদুগা পুং ২.৩০ তাবা মতমদনা পাদা পাৎশোই অমদি লৈমরাম এফ সী (বি) লম্বা তৌনগনি।

ফর্স্ত ষ্টেট লেভেল এস তোম্বা মেমোরিএল টুর্নামেন্ট

## নন্দো এফ সীনা আর এফ সীবু মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস):

কম্যখা সোসল যুথ ক্লব হিয়াংথাং মমাঙ লৈকাইনা শীন্দুনা কে এস ৱাই সী গ্রাউন্দ হিয়াংথাংদা চত্থরিবা ফর্স্ত ষ্টেট লেভেল এস তোম্বা মেমোরিএল দে এন্দ নাইট ৪ মেন এ-সাইদ ওপন সুপর সোকর টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা নন্দো এফ সী অরাপতিনা আর এফ সী খম্নাম লৈরকপু মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখ্রে।

ঙসি অহুমশুবা মফম কন্নবা শান্নখিবা মেচ অদুগী অহানবা হৌরকপগী অহানবা মিনটতা নন্দো এফ সীগী রবিরাজ জর্সি নম্বর ৬না একাউন্ট হাংদুনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাবা হৌখি। মখা তানা নন্দো এফ সীনা খুদুম চন্না শান্নরপগী ৬ অমদি ১৭শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় সুরজকান্ত জর্সি নম্বর ৭না পাঞ্জল ২ চন্দুনা পুন্না পাঞ্জল ৩ শুহনখি। আর এফ সী খুম্নাম লৈরকক্কী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংনবা শান্নরকপদা ১৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী কিসন জর্সি নম্বর ৩না টিম অদুগী একাউন্ট হাংদুনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। হাফ অসিগী অপীবা মতম লোইরবা ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙমদনা হাফ অসিগী মতম লোইরকপদা নন্দো এফ সীনা আর এফ সীবু পাঞ্জল ৩-১দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ শান্নরকপদা মিনট ৫ রোমদি লম্বা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুবু ২৫শুবা মিনটতা আর এফ সীগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা কিসননা পাঞ্জল অমগা অমুক হাপচিনখ্রবসু মখা তাবা মিনটতশিংদা মখোয়না নন্দো এফ সীনা চনশিল্লকখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখিবদগী মেচ অদু মায়থীখি।

A Unit of RaDiant Group
RaDiant e-ride
Authorised Dealer E-VEHICLE OF MANIPUR STATE
BUY AN E-VEHICLE
GET AN EXCITING GIFT
Exciting gifts



For more details, please contact:
*T&C apply
Ghari, Airport Road 9366 288 858
Sangaiprou Ningthemkol 7085 040 962
Sekmai Koujengleima Leikai 6909 832 745
Thoubal Athokpam 6009 402 934
Moirang Patlou Leikai 6009 073 738

HL-B/6098/4march to 7april

# থাজনবা পোকহন্দুনা য়েৎনবা পুম্নমক কোকহনবা




বিভাদ সে বিশ্বাস
স্কিম ২০২০

ইনকম টেক্সকী
চয়েৎনবশিং কোকহল্লু
কুমজা ২০২০গী মার্চ ৩১ ফাওবদা
খুদোংচাবশিং হেন্না ফংনবগীদমক

**ইলিজিবিলিটি**

- কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ৩১ ফাওবদা ফাইল তৌরকপা অমসুং পেন্দিংদা লৈরিবা অপিল/রিটশিং
- কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ৩১দা অপিল ফাইল তৌনবগী মতম হেন্দ্রিবা ওর্দরশিং
- কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ৩১দা দিস্প্যুট রিজোল্যুসন পেনেল (দি আর পি)দা পেন্দিং লৈবা কেসশিং
- কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ৩১ ফাওবদা দি আর পিনা দিরেক্সন পীরকখ্রবা অদুমকপু ওর্দরমক্তী পাস তৌদ্রিবা কেসশিং
- কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ৩১ ফাওবদা এসেসিনা রিভিজন (সেক্সন ২৬৪) ফাইল তৌরবা কেসশিং
- য়েৎনরিবা টেক্সকী শেনফম চহী অমদা ক্রোর ৫ য়ৌদবা কেসশিং

- টেক্সপেয়র নত্রগা দিপার্টমেন্টনা ফাইল তৌবা অপিল/রিটশিং
- মাংজৌননা পেমেন্ট তৌখ্রবা দিস্প্যুটশিংসু ইলিজিবল ওইগনি
- ইন্দিয়া নত্রগা মপান লৈবাক্তা অর্বিট্রেসনগী কেসশিং

**কোনশিনগদবা দিস্প্যুটশিং**

- অখন্নবা খরখক নত্তনা মখাগী দিস্প্যুটশিং -

(১) দিস্প্যুটেদ টেক্স
(২) দিস্প্যুটেদ পেনাল্টি
(৩) দিস্প্যুটেদ ইন্টরেষ্ট
(৪) দিস্প্যুটেদ ফী
(৫) দিস্প্যুটেদ টেক্স দিদক্টেদ এট সোর্ছ (টি দি এস) নত্রগা টেক্স কলেক্টেদ এট সোর্ছ (টি সী এস)

**মরু ওইবা শক্তমশিং... পেমেন্টকী মওং**

| হায়রিবা নুমিৎ নত্রগা মসিগী মমাঙদা পেমেন্ট তৌবা | দিস্প্যুটেদ টেক্স নত্রগা ইন্টরেষ্ট নত্রগা ফীগা মরী লৈনবা অপিল | দিস্প্যুটেদ পেনাল্টি খক্তগা মরী লৈনবা অপিল |
|---|---|---|
| কুমজা ২০২০গী মার্চ ৩১ | দিস্প্যুটেদ টেক্সকী চাদা ১০০ (সর্চ কেসশিংগী চাদা ১২৫) | দিস্প্যুটেদ পেনাল্টি নত্রগা ইন্টরেষ্ট নত্রগা ফীগী চাদা ২৫ |
| অরোইবা নুমিৎ (কুমজা ২০২০গী জুন ৩০) | দিস্প্যুটেদ টেক্সকী চাদা ১১০ (সর্চ কেসশিংগী চাদা ১৩৫) অদুম ওইনমক টোটেল দিমান্দদগী হেল্লোইদবনি। | দিস্প্যুটেদ পেনাল্টি নত্রগা ইন্টরেষ্ট নত্রগা ফীগী চাদা ৩০ |

এপেলেট ফোরম্না টেক্সপেয়রগী মায়কৈদা পেন্দিং অপিল মাংজৌননা ৱারেপ লৌখ্রবা নত্রগা দিপার্টমেন্টনা অপিল ফাইল তৌখ্রবদি অপুনবা শেনফমগী চাদা ৫০ থিগদবনি।

চঙবীয়ু : www.incometaxindia.gov.in
www.incometaxindiaefiling.gov.in

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট
সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ দাইরেক্ট টেক্সেস

@incometaxindiaofficial
@IncomeTaxIndia

davp 15401/13/0015/1920

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com